হোজাইগী প্লাজমা দোনরশিংদা ইন্সেন্টিভ পীগদৌরি

হোজাই, ওগষ্ট ১৫ (এজেন্সি): কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরম্বদগী ফগৎলক্লবা মীওইশিং প্লাজমা দোনেট তৌহন্নবগী পান্দমদা ওম প্রকাস প্রমিলা দেবী মেমোরিয়ল চেরিটেভল ট্রস্টনা হোজাই দিষ্ট্রিক্টকী অহানবা প্লাজমা দোনর ১০০ দা লুপা ৫০০০ ইন্সেন্টিভ পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

হীরম অসিগী মতাংদা চেয়রমেন কম মেনেজিং ট্রষ্টি রোহিট অগরৱালনা এজেন্সিদা হায়খি, সঙ্করদেব নগরদা পাঙথোকখিবা ইন্দিপেন্দেন্স দেগী থৌরমদা হোজাই দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না ৱাফম অসি লাউথোকখ্রে।

থৌরাং অসি লৌখৎলকপগী মরু ওইবা মরম পল্লদুনা অগরৱালনা হায়খি, কনভেলেসেন্ট প্লাজমা থেরাপি (সী পি পি)না কোভিদ-১৯ লায়েংবদা খ্বাইদগী ফবা পাম্বৈনি হায়না খঙনরক্লে। মরম অদুনা লায়না অসি নারুবদগী ফগৎলকপা মীওইশিংনা প্লাজমা দোনেট তৌবা য়াম্নমক তঙাইফদে। অসামদা কোভিদ-১৯ গী কেস মশিং নোংম-নোংমগী হেনগৎলকপা তারবসু প্লাজমা মতিক চানা লৈতবনা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্লরি। নারুবদগী ফগৎলকপা মীওই খুদিংমক্না পুকচেল চাওবা মতৌ উত্তুনা প্লাজমা দোনেট তৌরবদি মীওই কয়াগী পুন্সি কনবা ঙমগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

চৈরকসিদা, অসামগী ওইনা হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা কেস ১,০৫৭ থেংনখিবগা লোয়নননা অনাবা মীওই ১,৫৯৩ ফগৎলকপদগী দিসচার্জ তৌখ্রে।

ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা অসামগী হেল্থ মিনিষ্টর হিমন্ত বিস্বা সরমনা হায়খি, হৌখিবা পুং ২৪ গী মনুংদা সেম্পল ২০,৮০৫ টেষ্ট তৌখিবদা মীওই ১,০৫৭ পোজিটিভ ওইবা থেংনখি। নৌনা পোজিটিভ ওইরবশিংগী মনুংদা কামরুপ (মেট্রো) দিষ্ট্রিক্টকী ২৯৩ য়াওরি। পুং ২৪ গী মনুংদা অনাবা মীওই ১,৫৯৩ ফগৎলকপদগী দিসচার্জ তৌখি। হৌজিক ফাওবদা তোঙান তোঙানবা হোস্পিটাল নৎত্রগা কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংদগী দিসচার্জ তৌখিবা মীওই ৫৩,২৮৬ শুরে। এক্তিভ কেসনা ২২,০৮৭ লৈরি।

এ আর, এন এস সী এন-কে কাপ্নখ্রে

কোহিমা, ওগষ্ট ১৬ (এজেন্সি): নাগালেন্দগী নোকলাক দিষ্ট্রিক্টতা নিমলাং কোনয়াক্না লুচিংবা এন সী এস এন-কে কাঙলুপকী কাদরশিং অমসুং অসাম রাইফলসকী মরক্তা খুৎ থোক্লখ্রে। লৈবাক্কী মফম পুন্নমক্তা ইন্দিপেন্দেন্স দেগী থৌরম পাঙথোক্লিঙৈদা ঙরাং ম্যান্মারগা লোন্নবা ঙমখৈদা নাকল অনী খুৎ থোক্লখিবনি।

দিফেন্সকী সোর্স অমনা হায়খি মদুদি, এন এস সী এন-কে (নিমলাং কোনয়াক)না লুচিংবা কাঙলুপকী কাদরশিংনা নোকলাক দিষ্ট্রিক্টতা অসাম রাইফলসকী আউটপোষ্ট অমদা নোংমৈ কাপশিল্লকখি। অহানবদা ঙমখৈ ৱাংমদগী নোংমৈ রাওন্দ ৪/৫ রোম কাপশিল্লকখি। ঈং-তপ্পা ফিভম কায়হন্নবগী পান্দমদা লালহৌবশিংনা ঙমখৈ ৱাংমদগী সিক্যুরিটি ফোর্সেসতা নোংমৈ কাপশিল্লকখিবনি হায়রি। অসাম রাইফলসনসু খুৎ হন্দুনা নাকল অনী নোংমৈ কাপ্পখি। অয়ুক পুং ৩.৪০ তাবদা থোকখিবা থৌদোক অদুদা অশোক-অপন অমত্তা য়াওখিদে।

নুপী ২ য়াওনা দ্রগ লল্লোনবা তরেৎ ফারে

ধুব্রি, ওগষ্ট ১৬ (এজেন্সি): ধুব্রি দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা দ্রগকী মায়োক্তা লেপ্তুনা চত্থরকপা কেম্পেয়নগী শরুক অমা ওইনা তোঙান তোঙানবা মফমদগী মীওই ৭ লুপা লাখ কয়ামরুম ওইগদবা ময়াই কাবা দ্রগশিংগা কোন্ননা ফারে। ধুব্রি, বিলাসিপারা, গৌরিপুর অমদি চাগোলিয়াদগী নুপী অনী য়াওনা মীওই ৭ ময়াই কাবা দ্রগ কোন্ননা ফাগৎপা ঙমখি।

অখন্নবা পাউ অমা ফংবদগী পুলিস টিম অমা ৱেষ্ট বেঙ্গলগা লোন্নবা চাগোলিয়া ইন্টরষ্টেট বোর্দরদা চঙশিনখি অমসুং মীওই ২ দব্লিয়ু ৱাই টেব্লেটকা কোন্না ফাগৎপা ঙমখি। ফারবা মীওইশিং অদু ৱেষ্ট বেঙ্গলগী কুচবিহারদগী লাকপনি হায়রি।

অতোপ্পা থৌদোক অমদনা ন্যু হাতিপোতাদগী বিলাসিপরা তম্না থৌরকপা গাড়ি অমা খাল্লগা চেক তৌবদা কফ সিরপ অমসুং টেব্লেট খরা ফাবা ঙমখি। ধুব্রিগী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস অনন্দ মিশ্রানা লুচিংদুনা চত্থবা কোলিসন ওপরেসন অমদা মীওই অনী কফ সিরপ অমসুং টেব্লেটকা কোন্ননা ফাগৎপা ঙমখি।

মিজোরামদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা কেস ৬৪ থেংনবদগী অপুনবা কেস মশিং ৭৭৭ শুরে

আইজোল, ওগষ্ট ১৬ (এজেন্সি): মিজোরামদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা কেস ৬৪ থেংনখিবগা লোয়নননা ষ্টেট অসিগী অপুনবা কেস মশিং ৭৭৭ শুরে। কোভিদ-১৯গী ফিভম য়েংশিল্লিবা দিরেক্টোরেট ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্সনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। ষ্টেটগী চীফ মিনিষ্টর জোরাথঙ্গানসু ৱাফম অসিমক ত্বিটরদা ফোঙদোরকখি।

ষ্টেট অসিদা হৌজিক হৌজিক এক্তিভ কেস ৪২১ লৈরে। অনাবা মীওই ৩৫৬ ফগৎলকপদগী দিসচার্জ তৌখি। হৌজিক ফাওবা ষ্টেট অসিগী ওইনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবা মীওই অমত্তা শিখিদ্রি।

অমরোমদা, হেল্থ দিপার্টমেন্টকী স্পোকস্পর্সন ডা. পচাও লালমলসোমানা হায়খ্রে মদুদি, মিজোরামদা কোভিদ-১৯ গী কেস মশিং হেনগৎলক্লবসু কম্যুনিটি ট্রান্সমিসনগী থাক য়ৌনা খুদোংথিনিংঙাই ওইদ্রি। লোকেল ট্রান্সমিসনগী কেস ৪৩ থেংনখ্রবসু কম্যুনিটি ট্রান্সমিসনগী রিপোর্ট ফংবা লৈত্রি।

থাংজ নুমিত্তা ষ্টেট অসিগী অনৌবা কোভিদ-১৯গী কেস ৫৬ থেংনখিবনি। নৌনা থেংনখিবা কেসশিংগী মনুংদা আইজোল দিষ্ট্রিক্টতগী ২৭, কোলাসিব দিষ্ট্রিক্টতগী ২৬ অমসুং লুংলৈ দিষ্ট্রিক্টতগী ৩ য়াওরি। জোরাম মেদিকেল কোলেজ (জেদ এম সী)দা কেস ২৬, লুংলৈ সিভিল হোস্পিটালদা ৩ অমসুং রেপিদ এন্টিজেন টেষ্টতা ২৭ কনফর্ম তৌবা ঙমখিবনি। আইজোলনা নৌনা কনফর্ম তৌখিবা মীওই ২৭ কী মনুংদা মীওই ৪ দি কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবশিংগা নক্লরুবগী হিষ্ট্রি লৈ। অনৌবা পেসেন্ট ৫৬ কী মনুংদা শুপ্নগী মীওই ৮ খক মিজোরাম মচানি। অতৈ মীওই ২৮ দি মপান্দগী লাকখিবা ঙাক্তনি।

চৈরকসিদা, অসাম রাইফলসকী পর্সনেল ৭ অমসুং বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্স (বি এস এফ) জৱান ১ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরম্বদগী ফগৎলক্তুনা দিসচার্জ তৌখ্রে হায়না হেল্থ দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোকখি।

ষ্টেটকী পাউ

জষ্টিস বিমোলগী বেঞ্চতা দিস্পোজেলগীদমক নোংমদা কেস ৫/৫ লিষ্ট তৌরগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (ঐচ এন এস): হায়কোর্ট ওফ মণিপুরগী রেজিষ্ট্রার (জুদিসল) দব্লিয়ু তোনেন মৈতৈনা থোকপা নোটিফিকেসন (নম্বর ঐচ সী এম/১/৯৬/বেঞ্চ/১১২৯৮)গী মতুংইন্না কোর্ট অসিদা পন্দুনা লৈরকপা কেসশিংদগী কেস ৪৩বু দিস্পোজ তৌনবগীদমক থাসিগী ১৭তগী হৌরদুনা জষ্টিস অহন্তেম বিমোলগী বেঞ্চতা নোংমদা কেস ৫/৫ লিষ্ট তৌরগনি হায়রি।

নোটিফিকেসন অসিগী মতুংইন্না দিস্পোজেলগীদমক লিষ্ট তৌরগনি হায়রিবা কেসশিং অদুদি দব্লিয়ু পি (সী) নম্বর ৭৮১ ওফ ২০১৯ (এ টিকেন ভর্সেস ষ্টেট ওফ মণিপুর এন্দ অনাদর), দব্লিয়ু পি (সী) নম্বর ৯৩৩ ওফ ২০১৯ (ভক্টেসোরি ভর্সেস ষ্টেট ওফ মণিপুর এন্দ আদর), দব্লিয়ু পি (সী) নম্বর ৭০৬ ওফ ২০১৯ (অব্দুল রহমন ভর্সেস যুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া এন্দ ৪ অদর্স), দব্লিয়ু পি (সী) নম্বর ৫২৩ ওফ ২০১৯ (এম দি অব্দুল কলাম ভর্সেস ষ্টেট ওফ মণিপুর এন্দ ২ অদর্স), দব্লিয়ু পি (সী) নম্বর ৫০১ ওফ ২০১৮ (এ কে বিদ্যচন্দ্র ভর্সেস যুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া, দব্লিয়ু পি (সী) নম্বর ৮৬৭ ওফ ২০১৮ (এল গিয়ান্দ্রো ভর্সেস যুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া), দব্লিয়ু পি (সী) নম্বর ২৯৯ ওফ ২০১৮ (পি এস মহেকো অনাল ভর্সেস যুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া), দব্লিয়ু পি (সী) নম্বর ৪৬০ ওফ ২০১৮ (এম দি জিয়াউল হক ভর্সেস যুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া), দব্লিয়ু পি (সী) নম্বর ৫৩০ ওফ ২০১৮ (এন সুরেশ ভর্সেস যুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া), দব্লিয়ু পি (সী) নম্বর ৭২১ ওফ ২০১৮ (এন রেনুকা ভর্সেস ষ্টেট ওফ মণিপুর), দব্লিয়ু পি (সী) নম্বর ৩২৪ ওফ ২০২০ (সনধ্যারানি মংশাতাবম ভর্সেস ষ্টেট ওফ মণিপুর এন্দ অনাদর), দব্লিয়ু পি (সী) নম্বর ১৮২ ওফ ২০২০ (কৈশাম রামেশোরি ভর্সেস ষ্টেট ওফ মণিপুর এন্দ ৩ অনাদর), দব্লিয়ু পি (সী) নম্বর ৩০৫ ওফ ২০২০ (এল মীতৈঙম্বা মৈতৈ ভর্সেস যুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া এন্দ ৫ অদর্স), দব্লিয়ু পি (সী) নম্বর ৪৮৪ ওফ ২০১৮ (য়ুম্লাম নবকিশোর ভর্ভেস যুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া), দব্লিয়ু পি (সী) নম্বর ৫৩৭ ওফ ২০১৯ (কোঙ্গেংবম সুরজিৎ ভর্সেস যুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া এন্দ ৫ অদর্স), দব্লিয়ু পি (সী) নম্বর ২৪৫ ওফ ২০১৯ মৈত্রম ইবোয়াইমা ভর্সেস যুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া), দব্লিয়ু পি (সী) নম্বর ৫২০ ওফ ২০১৮ (চিংশুবম প্রেমজিৎ মৈতৈ ভর্সেস যুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া), দব্লিয়ু পি (সী) নম্বর ৬০ ওফ ২০১৮ (ওইনাম মুনিন্দ্রো ভর্সেস ষ্টেট ওফ মণিপুর), দব্লিয়ু পি (সী) নম্বর ৮৯৭ ওফ ২০১৮ টি শুনিলকান্ত ভর্সেস যুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া), দব্লিয়ু পি (সী) নম্বর ৪১৮ ওফ ২০২০ (এম অমুথোই ভর্সেস যুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া এন্দ ৪ অদর্স), দব্লিয়ু পি (সী) নম্বর ১২৮ ওফ২০২০ (এ নাওবি ভর্সেস যুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া এন্দ ৩ অদর্স); দব্লিয়ু পি (সী) নম্বর ১০২ ওফ ২০২০ (অব্দুল রাজাক ভর্সেস যুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া এন্দ ৪ অদর্স), দব্লিয়ু পি (সী) নম্বর ৩৯ ওফ২০২০ (ৱাইমীগামালা ভর্সেস প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি/হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের), দব্লিয়ু পি (সী) নম্বর ৩৭২ ওফ ২০২০ (লেটপাও লৌজেম ভর্সেস যুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া এন্দ ৫ অদর্স), দব্লিয়ু পি (সী) নম্বর ৭২৩ ওফ ২০১৯ (এম দি মুজিবুর ভর্সেস যুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া এন্দ ৪ অদর্স), দব্লিয়ু পি (সী) নম্বর ৮৪৫ ওফ ২০১৯ (এস শ্যামো ভর্সেস যুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া এন্দ ৩ অদর্স), দব্লিয়ু পি (সী) নম্বর ৭০৭ ওফ ২০১৯ (টি ঐচ সুভাসচন্দ্র ভর্সেস যুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া), দব্লিয়ু পি (সী) নম্বর ২৪৪ ওফ ২০১৯ (ইরোম দিলিপকুমার ভর্সেস ষ্টেট ওফ মণিপুর), দব্লিয়ু পি (সী) নম্বর ৫৭১ ওফ ২০১৯ (এন রাজেন্দ্রো ভর্সেস যুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া এন্দ ৭ অদর্স), দব্লিয়ু পি (সী) নম্বর ৬৬৩ ওফ ২০১৯ (সৈখোকম ভর্সেস যুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া এন্দ ২ অদর্স), দব্লিয়ু পি (সী) নম্বর ৫৭৫ ওফ ২০১৮ (টি এস সোফিয়া অনাল ভর্সেস ষ্টেট ওফ মণিপুর), দব্লিয়ু পি (সী) নম্বর ৬৪৬ ওফ২০১৮ (এম দি রিয়াজউদ্দিন শাহ ভর্সেস যুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া), দব্লিয়ু পি (সী) নম্বর ৭২০ ওফ ২০১৯ (থোকচোম সন্তোস ভর্সেস যুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া এন্দ ৪ অদর্স), দব্লিয়ু পি (সী) নম্বর ৭০৮ ওফ ২০১৯ (প্রেমজির সিংহ ভর্সেস যুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া এন্দ অদর্স), দব্লিয়ু পি (সী) নম্বর ৩২০ ওফ ২০১৯ (দব্লিয়ু রাজেন্দ্রো ভর্সেস যুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া এন্দ ৪ অদর্স); দব্লিয়ু পি (সী) নম্বর ৬২২ ওফ ২০১৯ (বোবো হৈখাম ভর্সেস যুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া), দব্লিয়ু পি (সী) নম্বর ৫৫৫ ওফ ২০১৯ (এলাংবম অরুনকুমার ভর্সেস যুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া এন্দ ২ অদর্স), দব্লিয়ু পি (সী) নম্বর ৩৪২ ওফ ২০১৯ (ঐচ মাংতে ভর্সেস যুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া এন্দ ৪ অদর্স), দব্লিয়ু পি (সী) নম্বর ৭১২ ওফ২০১৯ (হুইদ্রোম চন্দ্রমনি মৈতৈ ভর্সেস যুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া এন্দ ৪ অদর্স), দব্লিয়ু পি (সী) নম্বর ৩৭৩ ওফ ২০২০ (কে ঐচ মেঘো ভর্সেস যুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া এন্দ ৪ অদর্স), দব্লিয়ু পি (সী) নম্বর ৪১৩ ওফ ২০২০ (থোঙাম কোক্লে ভর্সেস যুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া এন্দ ৫ অদর্স), দব্লিয়ু পি (সী) নম্বর ৪১৭ ওফ ২০১৯ (থিঙোম অনিতা ভর্সেস যুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া এন্দ ৩ অদর্স) অমসুং দব্লিয়ু পি (সী) নম্বর ৮৪১ ওফ ২০১৯ (অহোংশাংবম সুরেস ভর্সেস ষ্টেট ওফ মণিপুর এন্দ ৩ অদর্স) নি।

নোটিফিকেসন অসি রেজিষ্ট্রার (জুদিসল) না থাসিগী ১১দা থোকখিবনি হায়রি।

ক্বারন্টিন তৌরিবা ফেমিলিশিংদা তেংবাংখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (ঐচ এন এস): থৌবাল এ সীগী এম এল এ ওক্রম ইবোবিগী মীৎয়েং মখাদা এ সী অসিদা কোভিদ-১৯গী চৈথেং ফংদুনা অৱাবা মায়োক্লরিবা ইমুং কয়াদা ঙসিদগী হৌনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েনবা হৌখ্রে।

থৌবাল বাজারগী অকোয়বা, থৌবাল ওক্রম নিংঙোম্বম, শাবনতোংবা, লৈশাংথেম, ইরোং, থোকচোম, অথোকপম অমদি মোইজিংগী মফমশিংদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরক্লবা অমদি চিংনদুনা হোম ক্বারন্টিন তৌবদগী য়ুমদগী মপান থোক্তনা লৈরিবা ইমুং ২০০ লোমদা চেঙ, অলু, তিলহৌ, ঙারি, থুম অমদি সাপোননচিংবা নোংমদা চঙবা তঙাইফদবা পোৎলম কয়া থৌবাল এ সী কোভিদ-১৯ এইদনা লৈকাইগী ক্লব, কাউন্সিলর অমদি ভোলন্টিয়রশিংগা লোয়নননা য়েন্থোকপা হৌখ্রে। ইমুং অমমমদা চেঙ কেজি ২০/২০, অলু কেজি ৩/৩, তিলহৌ কেজি ১/১, ঙারি, থুম অমদি সাপোন এম এল এগী লন্নাই শেনফমদগী তেংবাংখি হায়রি।

থোংজাওদা উ চারা কয়া থাখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (ঐচ এন এস): য়ুনাইটেদ পিপলস এদমিনিষ্ট্রেটিভ কাউন্সিল (উপাকো) অমদি সোসল ৱেলফ্যের ক্লব থোংজাও খুৎশম্নদুনা ঙসি থোংজাও মমাং চন্দ্রপ্রোতো তাবা লম্বীগী নাক য়েৎতা উ থাবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু কো গ্রীন মিসন মণিপুরগী ব্রান্দ এম্বেসেদর ভেলেন্টিনা এলাংবম্না হৌদোকখি অমদি থৌরম অদুদা ফোরেষ্ট রেঞ্জ ওফিসর ককচিংগী মায়কৈদগী উ চারা ১৫০ মতেং পাংলকখি অমদি চাওরাক্না কিলোমিটর ২ লোম শাংবা লম্বী নাক য়েত্তা ভোলন্টিয়র ৬৩ না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখি।

কোমদা তাদুনা নুপীমচা ২ শিরে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (ঐচ এন এস): চহী ৭ অমদি ৮দা ঙাইরিবী পীক্লিবা পোকমিননবা মচিন-মনাও নুপীমচা অনী ঈশিং থন্না লৈবা কোম অমদা পুন্না তাবদগী লায়কন্নবা ঙমদনা শিরে।

থৌদোক অসি ঙরাং নুংথিল পুং ১.৩০ রোম তাবা মতমদা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী সাইকুল সব-দিভিজনগী মনুং চনবা এন জি ফাইনোম খুনদা থোকখিবনি। পুলিসকী পাউনা হায়, লৈখিদ্রবা অঙাং অনী অদু অপোকপা লুনকাহাও খোংসাই অমদি অপোকপী নেংলৈ হোই খোংসাই অনীগী মচাপুনী ঙাক্তনি। অঙাং অনী অদুনা শিরগা লৈরম্লিবদু মখোয়গী য়ুমগী মনিংদা নৌনা টোইলেট শানবা লুনা তৌরগা থম্বদগী হন্দক নোং কন্না তাবদা ঈশিং থন্না লৈবা কোমদনি হায়রি।

লাইচৎ শন্দোরকপগী মতাংদা এব্র্যেরনেস কেম্প্যান পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (ঐচ এন এস): ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ শন্দোরকপগী চাং লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলক্লিবা অসিগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি ইম্ফাল ৱেষ্ট ব্রাঞ্চ অমদি য়ুঠ ৱেলফ্যের ক্লব সগোলবন্দ থিঙোম লৈকাইগা খুৎশম্নদুনা থিঙোম লৈকাই কম্যুনিটি হোলদা কোভিদ-১৯গী এব্র্যেরনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা আই আর সী এস এমগী চেয়রমেন ডা. ৱাই মোহেন, ভাইস চেয়রমেন ডা. কে অরুনকান্তা, হান্নগী মেদিকেল দিরেক্টোরেটকী এদিসনেল দিরেক্টর অমদি রেদ ক্রোস সোসাইটিগী মেম্বর ডা. এস মনিকান্তা, আই আর সী এস মণিপুরগী ফর্ষ্ট এইদ এন্দ এস ঈ আর ভি মাষ্টর ট্রেনর ডা. সী ঐচ বঙ্কিমচন্দ্র, আই আর সী এস মণিপুর ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চকী সেক্রেটরি ওইনাম রতন, দব্লিয়ু ৱাই সীগী প্রসিদেন্ট তোংব্রম ইবোমচা অমদি রেদ ক্রোস সোসাইটিগী ভলন্টিয়র কয়ানা শরুক য়াখি হায়রি।

এব্র্যেরনেস প্রোগ্রাম অদুদা শরুক য়াখিবা রেদ ক্রোস সোসাইটিগী দোক্টরশিংগী মায়কৈদগী লৈকাই অদুগী মীয়ামদা কোভিদ-১৯গী লায়না লাইচৎ অসিবু থেংননবা পায়খৎপা য়াবা থবক থৌরমশিংগী মরমদা অমদি মীয়াম্না লৌগদবা থৌদাংশিংগী মতাংদা ৱাফম কয়া শুগায়না ফোঙদোকখি হায়রি।

ইকাইখুম্নবা মাঙহনবীরে হায়না চার্জ তৌরক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (ঐচ এন এস): থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবদা লৈবা মাইরেন খুনদা চহী ১৭ তা ঙাইরিবী নুপীমচা অমা চহী ৩৭ রোম শুরবা নুপা অমনা নমদুনা থা অসিগী ১১ গী অয়ুক পুং ১১ রোম তাবদা দুকানদা পোৎ-চৈ লৈবা চৎপদা নুপী ওইবীগী ইকাই খুম্নবা মাঙহনবীখ্রে হায়না চার্জ তৌরক্লি।

থৌদোক অদুদা চেন্নবা নুপা অদু লোগী ওইবা চৈরাক পীয়ু হায়দুনা ঙসি সঙ্গাইয়ুম্ফম মাইরেন খুনদা মীয়ামগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা মীওই অদু থৌবাল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা সঙ্গাইয়ুম্ফম পুল্লৈপোকপী ষনলমচাদগী এম দি সিকিদ আলি (৩৭) অপোকপা এম দি সুকাৎ আলি এলাইজ সাদা আলিনি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা ঙসি মাইরেন খুন য়ুথ দিভলপমেন্ট এসোসিএসন্না শীন্দুনা মীয়ামগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা জে এ সী অমা শেমদুনা মরাল লৈবা মীওই অদু অথুবা মতমদা ফাদুনা লোগী ওইবা চৈরাক পীবিনবা লোয়ননা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন কয়ানসু মতেং পাংবিনবা অপিল তৌরক্লি।

অমরোমদা, পুলিসতগী ফংবা পাউদা চেন্নরিবা নুপা অদু হৌজিক কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবদগী ক্বারন্টিন তৌদুনা লৈবদগী ফাদ্রি। নুপা অদুগী ষ্টেটমেন্ট লৌরুবা ৱিমেন্স পুলিস অনীসু ক্বারন্টিন তৌরি হায়রি।

লাইরিক ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (ঐচ এন এস): ঙসি ওজা লাইরেনলাকপম ঙৌবনা ইবা লাইরিক অহুম - শৈরেং ইবা তম্বা চৎপা (নোবেল), সটরদে কঞ্জার্ভেসন ফোর চিল্ড্রেন অমসুং চির্ল্ডেন্স ৱাইল্দ এনিমেল কৌবা লাইরিক অহুম অইবা লূপ অমমমনা ফোংখ্রে।

লাইরিক ফোঙবগা মরী লৈননা ফমখিবা মীফমদা এল. গুলাপ, বীনা অমসুং টি মনিহারনা মথংশিংনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা লৈতেংখি।

হন্দক ফোঙখিবা লাইরিকশিং অসি থারগা অইবা লাইরেনলাকপম ঙৌবগী লাইরিক ১১ শুরে। অদুগা অইবা লূপনা ফোংবা লাইরিক্লা ৪২ শুবা লাইরিক্লি। চীফ গেষ্ট হাওবম কৃষ্ণকুমারনা ওঝা ঙৌবগী লিটেরেরি ৱর্কসশিংবু থাগৎখি, মতুংদসু অইবদগী ফজ-ফজরবা খুৎই কয়ানা মণিপুরী লিটেরেচরগী পুক্কেদা লাকখিনি হায়না ফোঙদোকখি। মীফম মপুগী ৱাহৈদা এল গুলাপনা ওজা ঙৌবগী লিটেরেরি থৌরমশিংবু থাগৎখি অমসুং ব্রহ্মপুত্র তম্পাক্কী শীংথাবা য়াবা অইবনি হায়দুনা শীংথাখি।

DUTTA AYURVEDIC CLINIC

দাইবেটিষ্টকী মমিং লৈরবা SUGAR NIL CAPSULES DUTTA AYURVEDIC তগী ফংবীগনি

নুপাগী প্রোব্লেম :

ফম্বী পাবা, ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কাছা চৎপা অমদি মপান থোকপা নত্রগা অমাংবদা কাছা লোয়নবা তারবদি ঐখোয়গী হিদাক অসি শিজিন্নবনা ফিনুংদা হাকৎচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থরকপা ফহনবা ঙম্মী। সোনোরিয়া, সাইফিলস ইনফটিসিটি হায়রিবা লায়নাশিং অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী। মাংলুরবা পুন্সিগী মহাও হনগৎহল্লকপা ঙন্বা অমদি শোন্থরুরবা ইন্দ্রিগী শক্তিবু অমুক হনগৎহনবা ঙল্লবা পুন্সি শাংদোকহল্লগা মেন পৱার অদোমগীদমক লৈজরে।

নুপীগী প্রোব্লেম :

ফিঙৌ চৎপা থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা, মনম নমথিবা, ফিনুংদা হাকৎচবা অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী অমদি ব্রেষ্ট চোন্থবানচিংবা অসি ক্রিম অমদি হিদাক শিজিন্নদুনা ফজহনবা ঙমহল্লি।

ডাইবেটিস :

ঐখোয়গী হিদাকশিং অসি শিজিন্নরবদি ডাইবেটিসকী চাং নোংমা নোংমগী হন্থহনবা ঙম্মী অমসুং সেক্স পৱার হেঙ্গৎহল্লি। অদুগা মাংলুরবা পাঙ্গল নৌহৌননা ফংবা ঙমহল্লি।

নুংশং অমসুং গ্যাস্ট্রিক্কী :

নুংশং ই তাবা, চাথৎপা, পোন্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাই অসিনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেসন তৌদনা হিদাক শিজিন্নরগা পুংফা ফহনবা ঙম্মী।

পুকনুংশিৎ কাবা, চাবা থকপা তুমদবা, চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, পুকনাবা, খোংহাম্বা নুংঙাইতবা অসিগীদমকসু ঐখোয়গী হিদাক্না অথুবা মতমদা ফহনবা ঙম্মী।

অঙৌবা পকপা :

অঙৌবা পকপশিংনা থোইনা ৱানিংঙাই লৈত্রে। মতম চানা লায়েংলবদি অতৈ অনাবাগুম ফহনবা ঙম্মী। অঙৌবা পকপশিংদুখক অফবা মখলগী হিদাকশিং শিজিন্নদুনা অনাবা মীওইশিং কয়া ফহনবা ঙমখ্রে। অমুক্তং লাকপীদুনা অদোমগী অনাবসু পুংফা ফহনবীয়ু।

শমগী পোব্লেম :

অদুগা শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী অমদি চহীগা চান্নদনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাকৎচবা অসিগীদমকসু অথুবা মতমদা তান্নবীদুনা অদোমগী অৱাবা অদু কোক্কনি।

তাং-তাং চিকপা :

তাং তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিখবা, মশল নাবা, থবাক নাবা, মীহুন কাহেন্না চোংবা, থবাক খেবা অসিনচিংবশিং অসি ঐখোয়গী হিদাক্না পুংফা ফহনবা ঙম্মী।

নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম :

না তাবা ৱাৎপা, নাকোং ঙংদুনা লৈবা হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমদি নাতোন ফুনবা নপ মহি তাবা, হাকথি তোয়না খনবা, স্বর হোনবা ৱাবা হায়রিবশিং অসি ঐখোয়গী মেদিসিননা ফহনবা ঙল্লে।

DUTTA AYURVEDIC CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

HL-B/6100/14/07-13/08

CROSSWORD-3533



ACROSS

1 Renown (4)
3 Aspirant (anag) (8)
9 Speaker's platform (7)
10 Construct (5)
11 Healed (5)
12 Scallywags (6)
14 Income from employment (6)
16 Squirm (6)
19 Missing (6)
21 Essential (5)
24 Meeting place (5)
25 Equilibrium (7)
26 Not quite a score (8)
27 Gait between a walk and a canter (4)

DOWN

1 Prediction (8)
2 Skinflint (5)
4 Nearly (6)
5 Shin bone (5)
6 Scrap (of information, news, etc) (7)
7 Naked (4)
8 Dealer (6)
13 Recklessly determined (8)
15 Middle East country (7)
17 Rebellion (6)
18 Steady (6)
20 Upright (5)
22 Male singing voice (5)
23 Level, regular (4)

Solution 3532

S	T	A	I	N	E	D		J	U	D	A	S
P		L		O		E		E		E		T
I	N	L	A	W		S	W	A	H	I	L	I
N		O		H		I		N		T		N
A	N	T	L	E	R	S		S	T	I	C	K
C				R		T				E		
H	A	P	P	E	N		C	H	A	S	E	D
		L				A		A				E
H	O	U	N	D		S	P	L	I	T	U	P
O		M		R		S		F		H		O
P	L	A	T	E	A	U		C	R	O	S	S
I		G		A		M		U		R		I
T	R	E	N	D		E	X	T	I	N	C	T

SOLUTION ON NEXT ISSUE

HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-3332

					4			
			7		1	9		
	7	5		8		3		6
	6		9					
1	2						7	3
					5		6	
2		7		9		4	5	
		6	5		2			
			3					

Solution-3331

2	4	8	6	9	7	5	3	1
6	1	3	5	2	4	8	7	9
7	9	5	1	8	3	4	6	2
3	8	4	9	1	6	2	5	7
1	7	2	8	3	5	6	9	4
5	6	9	4	7	2	3	1	8
9	3	7	2	5	8	1	4	6
4	2	1	3	6	9	7	8	5
8	5	6	7	4	1	9	2	3

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers



কৈনু
ষ্টোরি অমসুং আর্ট : সামসন সলাম
অদুগা মখোয়গী মরী-মতাগী মকোকশিংদু নান্দুনা কপ্লম্মী।
অদুগী তাইনফম খঙদুনা অশাওবনা কৈনুগী শাগৈ-নাতৈশিংদু কৈ ওল্লক্লম্মী।
গররর !!!!